# জয়ারামনা মেন'স সিঙ্গলসকী, প্রানভ-সিক্কিনা দবলসকী দটচ ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



অলমেরে (দটচ), ওক্টোবর ১৫ :
দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অজয় জয়ারামনা মফম অসিদা চৎথরিবা য়ু এস দি ৫৫,০০০ গ্রান্দ প্রি টুর্ণামেন্টকী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মহাক্কী মায়োক্লখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

দটচ ওপনগী টাইটল অহুল্লক লৌবা ঙমখ্রবা টোপ সীদ জয়ারামনা ব্রাজিলগী নিপানশুবা সীদেদ য়গোর কোলহো দি ওলিভৈরাবু ২১-১৫, ২১-১৮ দা মিনিট ৩২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা মথংগী রাউন্দগী মেচতা মঙাশুবা সীদেদ দেনমার্ককী এন্দরস অন্টোন্সেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ইন্দিয়ন কোম্বো প্রানভ চেরি চোপ্রা অমদি সিক্কি রেদ্দিসু মিক্স দবলসকী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মরিশুবা সীদেদ ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা ফ্রেঞ্চকী জুরা রোনাল্ড লাবার অমদি ঔদ্রে ফোন্টেইনবু ২১-১০, ১০-২১, ২১-১৭ তা মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মখোয় অনীনা সেমী ফাইনেল মেচতা দেনমার্ককী সোরেন গ্রাভহোল্ট অমদি মাইকেন ফ্রুরগার্দকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

মিক্স দবলসকী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী বি সুমীথ রেদ্দি অমদি মেঘানা জক্কাম্পুদিনা তরেৎশুবা সীদেদ জর্মনগী কোম্বো মার্ভিন ইমিল সৈদেল অমদি বির্গিট মাইকেলগী মখুৎতা ৭-২১, ১০-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

পনবা য়াই, দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অজয় জয়ারামনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা নোরৱেগী মারিয়স মেহরেবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

টোপ সীদ জয়ারামনা তরা-তরুকশুবা সীদ মারিয়সপু লোপসাইদেদ কন্টেষ্ট অদুদা ২১-৬, ২১-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। জয়ারামনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগী য়গোর কোলহোদি ওলিভৈরাগা মায়োক্লদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্লেয়র ১১শুবা সীদ পারুপাল্লি কেশয়পনা তরুকশুবা সীদ ইষ্টোনিয়াগী রাউল মষ্টকী মখুৎতা ১৮-২১, ১৮-২১ দা মায়থীখি।

মিক্স দবলসকীদা বি সুমীথ রেদ্দি অমদি মেঘানা জাক্কাম্পুদিগী জুরানা নেদরলেন্দসগী জেল্লে মাস অদি ইমকে ভান দর আরবু ২১-১৬, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

নুপাগী দবলস কম্পিটিসনদা টোপ সীদ মানু আট্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা নেদরলেন্দসকী জাকো অরেন্দ্রস অমদি রুবেন জিল্লেগী মখুৎতা ১৯-২১, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জুরা অহুমশুবা সীদ প্রানভ জেরি চোপ্রা অমদি অকশয় দেৱালকরনা জর্মনিগী বজার্নে জেইস অমদি ফাবিয়ন হোলজয়গী মখুৎতা ১৭-২১, ২১-১৫, ২০-২২ দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী দবলসতা মরিশুবা সীদ দেনমার্ক মাইকেন ফ্রুগার্দ অমদি সারা থাইজেসেননা ইন্দিয়াগী দো মেঘানা অমদি পুরভিশা এস রামবু ২১-১০, ২১-৯ দা অতোপ্পা মেচতা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, দটচ ওপন বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অজয় জয়ারাম অমদি পারুপল্লি কেশয়পনা মখোয়গী মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মহাক্কী কেরিয়রদা দটচ ওপন অহুল্লক লৌখ্রবা টোপ সীদ জয়ারামনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা বলগেরিয়াগী ফিলিপ লিসোভপু ২১-৭, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# সৌরভ ভর্মানা চাইনিজ টাইপৈ গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টগী ফাইনেল চঙখ্রে



টাইপৈ সিটি, ওক্টোবর ১৫ :
ইন্দিয়ন শট্লর সৌরভ ভর্মানা মফম অসিদা চৎথরিবা চাইনিজ টাইপৈ গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস সেমী ফাইনেলদা লোকেল ফেভোরাইট অমদি টোপ সীদ হসুন জেন হাওবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

বেলজিয়ম অমদি পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জরস অনীগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা কুমজা ২০১১ গী নেসনেল চেম্পিয়ন সৌরভনা হাওবু ১১-৪, ১১-৭, ১১-৯ দা মিনিট ৩৩ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মশাগী অনাবা লৈখিবদগী মতম খরা শান্নদনা লৈরুরবা মতুং অমুক হন্না শান্নবগী ফম্পাক্তা হল্লকখিবা সৌরভনা ফাইনেল মেচতা মালেসিয়াগী দারেন লিয়ু অমদি মঙাশুবা সীদ চাইনিজ টাইপৈগী লিন য়ু হসিন অনীগী মরক্তা শান্নগদবা মেচতা মায় পাকপা অদুগা লম্বা তৌনগনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা মধ্যা প্রদেশকী নুপামচা অসিনা অহানবা গেমদা ২-০ দা মাঙজিল থানা মেচকী অঙনবা শরুক্তা লৈখি অমদি মখা তানা তপ্প শান্নরকখিদুনা ৮-৩ দা অমুক্কা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা গেম অদু মহাক্না ষ্ট্রেট পোইন্ট অহুম অমগা লৌবা ঙমখিদুনা গেম অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা, হাওনা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অদুবু সৌরভনা অথুবা মতমদা মশক থোক্লা খুৎ হল্লকখিদুনা পোইন্ট মরি লৌবা ঙমদুনা ৭-৩ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমসু ইন্দিয়ন অসিনা খুৎপায় চেৎনা পায়খিদুনা ২-০ দা লৈখি।

অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়ন অমদি চাইনিজ টাইপৈ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা গ্রি-গ্রি ইন্ননা শান্নরকখি। হাওনা ৫-২ দা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন অসিনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ৫-৫ দা চাং মান্ননা লৈখি। অদুবু হাওনা অমুক হন্না ৮-৬ তা মাঙজিল থাখি। সৌরভনা পোইন্ট অহুম অমগা লৌবা ঙমদুনা ৯-৮ দা অমুক লৈখি। হাওনা অমুক লেভেল মান্ননা থমখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন্না পোইন্ট অনী অমগা লৌবা ঙমখিদুনা লোকেল হেরোবু নক্ষৎতুনা মায় পাকখি।

সৌরভনা কুমজা ২০১৩ গী টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ, কুমজা ২০১৪ গী ইরান ফাঞ্জন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ অমদি ওষ্ট্রিয়ন ইন্টরনেসনেল টাইটলশিং লৌখি। মহাক্না মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনেল টাইটল ওইনা বাহেরেন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জগী টাইটল লৌখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১১ গী সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী রন্নরস-অপসু তাখিবনি।

পনবা য়াই, সৌরভনা গ্রান্দ প্রি অসিগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জপানগী কেন্টো হোরিয়ুচিবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

সৌরভনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কেন্টোবু ৭-১১, ১১-১, ১১-৩, ১১-৭ তা মিনিট ৩১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন শট্লর সৌরভ ভর্মানা য়ু এস দি ৫৫,০০০ চাইনিজ টাইপৈ গ্রান্দ প্রিগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস মেচতা জপানগী রয়োটারো মারৌবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

কুমজা ২০১১ গী নেসনেল চেম্পিয়ন ওইখিবদা নত্তনা বেলজিয়ম ওপন অমদি পোলিশ ওপন চেল্লেঞ্জরগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা সৌরভনা মারৌবু ১১-৬, ১১-৮, ১১-৬ তা মিনিট ৩১ চুপ্না শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

সৌরভনা ওপনিং গেমদা ৪-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অদুবু মারৌনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা লেভেল মান্ননা লৈখি। ইন্দিয়ন অসিনা গেম অসিদা তপ্পপ শান্নরকখিদুনা ৮-৬ দা অমুক লৈখ্রবা মতুং মহাক্না ষ্ট্রেট পোইন্ট অহুম অমগা লৌখিদুনা ওপনিং গেম অদু ১১-৬ তা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা সৌরভনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎতুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা ৭-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। জপানিজসু ইন্দিয়নগী মায়োক্তা মতিং ফুদোক্লা শান্নরকখ্রবসু ইন্দিয়ন অসিনা অথুবদা খুদোংথীবা অমত্তা য়াওদনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখি।

# ফিফানা কুমজা ২০১৮ ৱর্ল্ড কপকী রেগ্যুলেসন এপ্রুব তৌখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ১৫ : রসিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৮ গী ৱর্ল্ড কপকী মথৌ তাবা রেগ্যুলেসনগী অরোইবা ড্রাফট অদু ইন্টরনেসনেল ফেদরেসন ওফ ফুটবোল এসোসিএসন (ফিফা) না এপ্রুব তৌখ্রে হায়না রসিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনা ফোঙদোকখ্রে।



মুটকোনা শগোলশেল নুমিৎতা জুরিকতা পাঙথোকখিবা ফিফা কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াখি হায়না টাসনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রসিয়ন ফুটবোল য়ুনিয়ন (আর এফয়ু) গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মুটকোনা হায়খি, ঐখোয়না রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী মরমদা খন্নখি অমদি ফিফাগী শরুক অমা ওইনা শেম-শাবগী চঙশিল্লিবা থবক থৌরমশিংগী অতেনবা রিপোর্টসু পুথোকখি। ঐনা কলিগশিংদসু হীরম অসিগী মতাংদা খঙহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মখোয়না পীফম থোকপা সপোর্টখক্তমক পীরি, ঐখোয়না অপীবা সেদ্যুলগী মনুংদা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লি অমদি মথৌ তাবশিং লোইশিল্লি হায়বসি থাজৌ। মার্কেটিং অমদি কুমজা ২০১৭ কী (ফিফা) কনফেদরেসন কপকী মেদিয়াগী ইন্টরেক্সনগী রেগ্যুলেসনসু এপ্রুব তৌরে। কুমজা ২০১৮ গী ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল ষ্টেজগী রেগ্যুলেসনসু এপ্রুব তৌখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭ কী ফিফা কনফেদরেসন্স কপনা জুন ১৭ তগী জুলাই ২ ফাওবা রসিয়াগী ষ্টেদিয়ম মরি-ওটক্রিটি-এরেনা রসিয়া, জেনিট - এরেনা সেন্ট পিটরসবর্গ, ফিশট সোচি অমদি কজান-এরেনা কজানদা পাঙথোক্কনি।

রসিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর মুটকোবু মমাঙ চহীদা কনফেদরেসন্স কপস ২০১৭ অমদি ২০২১ গী ওর্গনাইজেসনগী ফিফা কম্মিটি ইন-চার্জগী হেদ ওইনা হাপখি। ইভেন্ট অসি গ্লোবেল ফুটবোল টুর্ণামেন্ট অমনি। মসি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পাঙথোক্কদবা চহী অম ৱাংলিঙৈদা পাঙথোকপনি। কনফেদরেসন্স কপ অমদি ৱর্ল্ড কপ অনীমক অসি ফিফা কোংগ্রেসনা মমাঙদা খনখিবা লৈবাক অমত্তদা পাঙথোকপনি।

# কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মুম্বাই সিটি এফ সিবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে

কোচি, ওক্টোবর ১৫ :
মাইকেল চোপ্রানা চনখিবা গোলনা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা চৎখিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মুম্বাই সিটি এফ সিবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।



মেচ অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী ষ্ট্রাইকর মাইকেল চোপ্রানা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা টিমগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখিদুনা অহানবা ওইনা লীগ অসিদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ফুল পোইন্ট ফংখি। অদুগা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা চঙশিল্লকখিবা মুম্বাই সিটি এফ সিবুনা মায়থীবগী মহাও তংহনখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা অপুনবা মেচমরিদগী পোইন্টমরি ফংবা ঙমখ্রে অদুগা মুম্বাই সিটি এফ সিনা মেচমরিদগী পোইন্ট তরেৎ ফংদুনা লৈরি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সনা অকনবা এটেক তৌদুনা মায়োক্লখিবা মুম্বাই সিটি এফ সিগী মায়কৈদা চঙশিনখি। মেচ অদুদা অহানবা ওইনা মায় পাক্লবা পান্দমদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিল্লকখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মমাঙদা দিল্লিদা শান্নখিবা মেচ অদুদা শরুক য়াখিবা প্লেয়রশিংদগী অহুম লৌথোক্লগা অনৌবা অহুম হাপচিন্দুনা শান্নহনখি। টিমগী কোচ ষ্টেভ কোপেলনা কেপ্টেন অরোন হুজ, কভের্ন্স বেলফোট অমদি রাফিবু পুশিন্দুনা শান্নহনখি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা গোল এটেম্পশিং তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু মুম্বাই সিটি এফ সিগী প্লেয়রশিংনা য়াম্না অন্দরষ্টেন্দিং লৈনা শান্নরকখিবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা পীখিদে। মুম্বাই সিটি এফ সিসু হনবা লৈতনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা তকখৎলকখি। অদুবু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা য়াম্না টেম্পো লৈনা শান্নরক্তুনা গোল চন্নবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। টিম কেপ্টেন ষ্টেভ কোপেলনা গোল চন্নবগীদমক এটেম্প তৌখিবদা টার্গেট মপা চাখিদবা অমদি পোষ্টকী ৱাংমা লান্না চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অদুবু মখা তানা মখোয়না মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা মশক থোক্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা মাইকেল চোপ্রানা মুম্বাই সিটিগী গোল পোষ্ট মনুংদা নিংথিনা কাওশিনখিদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। কেরলা ব্লাষ্টর্সনা গোল চনখিবগী তমথদ্রবা মুম্বাই সিটি এফ সিনা মায়োক্লখিবা সাইদতা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনরকখ্রবসু চনবা ঙমখিদে।

টিম অনীমক্না মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহোনবা অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মুম্বাই সিটি এফ সিবু সোলিটরি গোলদা মায়থীবা পীখি।

# হোকি ইন্দিয়ানা ওল্টমান্সপু টোকিয়ো ওলেম্পিকক্স ফাওবা কোচ ওইহনবা পাম্মী : নরিন্দর বাট্রা

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৫ :
হৌজিক ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা রোলেন্ট ওল্টমান্সপু মখা তানা কুমজা ২০২০ গী টোকিয়ো ওলেম্পিকক্স ফাওবা কোচ ওইনা লৈহন্নবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা অইবা চেরোল পীদুনা মহাক্না খঙহনখ্রে হায়না হোকি ইন্দিয়া (ঐচ আই) গী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বাট্রানা ইরাই নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে।



হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট বাট্রানা

ওল্টমান্সগা কন্ট্রেক্ট তৌনরিবা অসি কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারীদা লোইরগনি। দটচমেন অসিনা কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়ন টিমগী হায় পার্ফোর্মেন্স দিরেক্টর ওইনা জোইন তৌখি অমদি মতুং তারকপদা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা হেদ কোচ ওইনা থৌ পুখি। মহাক্না কোচ ওইনা থৌ পুদ্রিঙৈদা হোকি ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফোরেন প্রেদিসেসর মরি লৌথোকখ্রবনি। তুংদা মহাকপু হেদ কোচ ওইনা হাপখি।

হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট বাট্রানা হায়খি, ওল্টমান্সবু টোকিয়ো ওলেম্পিক্স ফাওবা কোচ ওইহন্নবা রিকম্মেন্দেসন অদু এপ্রুবেল তৌনবগীদমক সাইদা খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হোয়, মদু অচুম্বনি। কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারী থাদা ওল্টমান্সকী কন্ট্রেক্টকী মতম লোইরগদবা অসি শাংদোক্লবা মখোয়গী এপ্রুবেলগীদমক সাইদা চেরোল ইদুনা খঙহনখ্রে। ঐখোয়না মহাকপু মখা তানা টোকিয়ো ২০২০ ফাওবা চীফ কোচ ওইনা থৌ পুহনবা পাম্মী হায়না বাট্রানা ফোঙদোকখি।

চীফ কোচ ওল্টমান্সকী মখাদা ইন্দিয়ন হোকি টিমনা অনৌবা তাঙ্কক অমদা চঙবা ঙমদুনা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড হোকি লীগ ফাইনেলদা ব্রোঞ্জ মেদলসু লৌবা ঙমখিবনি।

অদুগা ইন্দিয়ানা চহী অসিগী রিও ওলেম্পিকক্সতা শিংথাবা য়ানা পার্ফোমেন্স পীখি অমদি ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী মখুৎতা মায়থীহৌখ্রবসু থোইদোক্লা রিজল্টতা পেন্নিংঙাই ওইদবা হায়বদুদি ওইখিদে। ইন্দিয়ন টিম অসি অদুমক মশক থোকপা অমা ওইরিবনি।

# অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী ভেন্যুশিং ওক্টোবর ১৯ দগী য়েংশিল্লগনি

কোলকটা, ওক্টোবর ১৫ :
মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ ইভেন্টকী মেনেজর মারিওন মায়র-ভোরফেল্ডর অমদি প্রোজেক্ট লীদর ট্রেসি লুনা লুচিংবা মেম্বর ১৩ না শাবা দেলিগেসন অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৯ দগী ২৫ ফাওবা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেগা টুর্ণামেন্ট অসিগী মাঙওইননা ষ্টেদিয়ম তরুক্কী শেম-শারিবশিং য়েংশিল্লগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক ফিফাগী অনীরকশুবা ফুল ইন্সপেক্সন টিম ওইনা লাক্কদৌরিবা দেলিগেসন অসিনা ষ্টেদিয়া তরুক্তা পায়খৎলিবা শেম-শাবগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লগনি অমদি টুর্ণামেন্ট অসিবু পাঙথোক্কদৌরিবা সিটিশিংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী ট্রেনিং তৌফমশিংগী শেম-শারিবসু য়েংশিনগনি। মেগা টুর্ণামেন্ট অসি মথং চহীগী সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা মালেমগী নহা ওইরিবা ফুটবোল্লরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি।

চয়োল অমা চুপ্না চৎথগদৌরিবা য়েংশিনবগী থবক অসি ওক্টোবর ১৯ দা কোচিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদগী য়েংশিনবা হৌগনি। মতুং তাবদা নাভি মুম্বাই, গোৱা, ন্যু দেল্লি, গুৱাহাটি অমদি কোলকটাগী ষ্টেদিয়মশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি।

ফিফাগী ইভেন্ট অসিগী হেদ জাইমে য়ারজানা ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবশিংগী ষ্টেদিয়মশিং ষ্টেন্দার্দ ওইনা মথৌ তাবশিং য়াওনা শেম-শাবা লোইশিনবগী দেদলাইন অসি ওক্টোবর থা অসিনি হায়না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা ৱর্ল্ড ফুটবোলগী বোদিগী টিম অসিনা য়েংশিনবা লাক্লুম্বা অদুদা ফোঙদোক্লমখিবনি।

## লিএন্দর পেসনা চেল্লেঞ্জর ফাইনেলদা লৈহৌরে

টাস্কেন্ট, ওক্টোবর ১৫ : ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমদি জর্মনগী এন্দ্রে বেগেমেননা মফম অসিদা চৎথরিবা দোল্লর ১২৫,০০০ চেল্লেঞ্জরস টেনিস টুর্ণামেন্টকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেলদা রসিয়াগী মিখাইল ইলগিন অমদি উজবেকিষ্টানগী দেনিস ষ্টোমিনগী মখুৎতা ৪-৬, ২-৬ তা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

মশাগী চহী ৪৩ শুরবা পেসনা মায়থীহৌখিবা অসিনা সিজন অসিগী চেল্লেঞ্জরস ফাইনেলগী মরিরকশুবা ওইনা মায়থীবসু ওইখি। মহাক্না মেন'স প্রোফেস্নেল সার্কুইটতা দবলস টাইটল ৫৪ লৌবা ঙমখ্রে। হায়রিবা টাইটলশিং অদুদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল নিপান য়াওরি। রসিয়া-উজবেকিষ্টান অনীগী জুরানা ইন্দো-জর্মনগী জুরাবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা চেল্লেঞ্জরস অসিগী টাইটল লৌখি।

HL-B/3319/14-30 Sep.&2-30 Oct. Even

OFFICE OF THE
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA)
4th Floor, Secured Office Complex, A T Line, North AOC: Imphal, Manipur

NOTICE
Dated, Imphal, the 13th October, 2016

**No. 5/16/2015-MSRRDA/E-Tender/Ph-X(4th Call) :** It is hereby informed to all the eligible contractors who have participated in the e-tender of NIT of even no. dated 26th September, 2016 for attending the Technical Bid Opening at Conference Hall of MSRRDA, 4th Floor, Secured Office Complex, AT Line, North AOC, Imphal, Manpur on 17-10-2016 at 11 a.m. sharp in connection with the 3rd re-tender/4th call of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-X in Manipur State.

It is also hereby requested to all the concerned Contractors to make it convenient to attend the Technical Bid Opening in time.

HL-B/3387/15 & 16

Sd/- Chief Engineer, MSRRDA

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Only25 Seats per class(each section) Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road Regd.No.-729
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL COURSE(NEET-17)
ENGINEERING(2017)FOUNDATION
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute in Imphal in both Sc.&Arts
LAST FOUNDATION BATCH X,XI,XII Sc.& Arts
COHSEM Sc. & ARTS Fee concession
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
CBSE ARTS & Sc.
Last date :3rd oct. Starting from 20 Oct.'16
concession for merit students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys, girls hostel,van service,library facility #7308911167/9862992105